HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




পোৎ চৈগী মমল হেন্না য়োনবীগনু অমসুং নিঙোল চাক্কৌবদা ইরমদমগী পোথোকশিং শীজিন্নবীয়ু হায়না ইনাৎ য়োকখৎপা লুপতিন (ইয়োল) মণিপুরগী থৌমীশিংনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকপা

লৌশিং পূক্কে : ঐখোয়না তূপ্পা মতমদা ওল্লিবা মায়ওনগী... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ ইঙেল্লে অঙৌবা
ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকপা ঙম্বা মীওইশিং পুল্লসি ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ লৈপুন্না খুল ঙাক্লিবশিংদা নীংথমগী পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে
চহী অসিগী গ্লোবেল নেচর কঞ্জার্বেসন ইন্দেক্সতা লৈবাক ... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ য়ু-১৭ এসিয়ন কপ ক্বালিফায়র্স : এন রিশিগী...

লায়ন্স ক্লব ওফ নিংথৌখোংনা লায়ন্স ক্লবস ইন্টরনেসনলগী 'ফীদ দি হঙর' গী মনুং চন্না বিষ্ণুপুরগী অরিবা কোনুংদা লৈবা য়োংশিংদা মচীঞ্জাক থাদুনা পীজ-পীথক তৌখিবা




Vol. 48, Issue No. 203 | থাংজ, মেরাগী ২৫নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, October 26, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## এদ্যুকেসন-এসকী এদহোক ওজা ৫০২গী রিগ্যুলরাইজেসন ককথৎখিবা লৈঙাক্কী ওর্দর হায় কোর্টনা সস্পেন্দ তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটেরিএট : এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরিনা থা অসিগী ১০দা থোকখিবা ওর্দর (নম্বর ১২(ঐচ সী)/৮৭/২০২৩-এস ঈ (এস) গী মতুংইন্না লৈঙাক্না এপ্রিল ২১, ২০২২দা অয়াবা পীরকখিবা লেট্টর নম্বর ১২(ঐচ সী/৮৪)/২০২১-এস ঈ (এস) পার্টকী মতুংইন্না রিগ্যুলরাইজ তৌখ্রবা লোয়শঙ অসিগী তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিগী ওজা ৫০২গী রিগ্যুলরাইজেসন অদু কেন্সেল তৌরে হায়রকখিবা ওর্দরগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা রিট পিটিসন (সিভিল) ৩ অমসুং পিটিসনশিং অসিগা লোয়নরকপা মিসেলিনস কেসশিংগী ৱায়েল চত্থরবা মতুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ওজা ৫০২ রিগ্যুলরাইজেসন কেন্সেল তৌরকখিবা ওর্দর 'সস্পেন্দ' তৌখ্রে।

এদ্যুকেসন (এস) কী অন্দর সেক্রেটরিনা থোকখিবা ওর্দর অসিগী মায়োক্তা ফাইল তৌনরকখিবা রিট পিটিসনশিং অদুদি দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭৬৮ ওফ ২০২৪ (ঐচ থোইবা (৫৮) অপোকপা ঐচ কুল্লা, হৈঙাং ময়ায় লৈকায় অমসুং অতোপ্পা মীওই তরুক, দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭৬৫ ওফ ২০২৪ (থিঙুজম রাধামনি চনু (৪৯) মপুরোইবা এস শামুঙৌ, থৌবাল শাবলতোংবা ময়া লৈকায় অমসুং তোংব্রম অমুজাও (৫০) অপোকপা টি বির সিংহ, সলুংফম খাঙ্গেনবম অমসুং অতোপ্পা মীওই ১৬৭নি।




য়াম্লবা পিটিস্নরশিং অসিনা মখোয়গী পিটিসনশিং অসি এদ্যুকেসন (এস) কী কন্মিস্নর, অন্দর সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টরবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসন অহুম্মক ঙসি জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা লৌখৎলকপদা রিট পিটিসন (সি) নম্বর ৭৬৮ অমসুং ৭৬৫গী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোতেন্দ্রোনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল সয়দ মুরটাজা অহম্মদনা মতেং পাংখি। অদুগা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭৬৯ ওফ ২০২৪গীনা সিনিয়র কাউন্সেল এন হেমচন্দ্রনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল থোমাসনা মতেং পাংখি। অপূনবা পিটিসন অহুম্মক্কী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা এদ্যুকেসন (এস) কী রেস্পোন্দেন্ট অহুমদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি।

কোর্টনা ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং অদু এদভোকেট জেনরেলবু মতেং পাংখিবা কাউন্সেলনা লৌখি। অদুম ওইনমক এদভোকেট জেনরেলগী মায়কৈদগী পিটিসনশিং অসিগী মায়োক্তা কাউন্টর এফিদেভিট অমসুং রিজোইন্দর এফিদেভিট ফাইল তৌরক্লবগী মতম চয়োল অহুম পীবিনবা কোর্টতা প্রেয়র তৌখি। কোর্টনসু এ জিগী প্রেয়র অদুবু অয়াবা পীখি।

এদভোকেট ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## জে দি - য়ুদগী বি জে পি ওনখ্রবা এম এল এ ৫গী দিসক্বালিফিকেসন কেস
## স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা এম এল এ ৫দা অমুক্কসু মতম পীখ্রে পিটিস্নর ২না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎনবা থৌরাং তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা কারকখিবা জে দি-য়ুগী এম এল এ ৬কী মনুংদগী ৫না সেপ্টেম্বর ১, ২০২২দা বি জে পিদা ওনশিনখিবগী মায়োক্তা জে দি-য়ুগী সেক্রেটরি জেনরেল মাইস্নাম দোরেন্দ্রো, কোংগ্রেসকী হরেশ্বর গোশ্বামি অমসুং মংশাতাবম সুরজিৎ কৌবা মীওই অহুম্না পিটিস্নর ওইদুনা এম এল এ ৫বু টেন্থ সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না দিসক্বালিফিকেসন তৌবীনবা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবগী মতুংইন্না ঙসিসু মখা তানা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা লৌখৎখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস ৭কী হিয়ারিং চত্থখ্রে।



দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসি লৌখৎলদুনা ঙসি চত্থখিবা হিয়ারিংদা ত্রাইব্যুনেল অসিগী মায়কৈদগী কেসশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা এম এল এ ৫দা মখোয়গী মথক্তা ৱাকৎলক্লিবা পিটিসনশিং অসিগা মরী লৈনবা পাউখুমশিং পীরক্নবা অমুক্কসু চয়োল অহুমগী মতম পীখ্রে। অদুম ওইনমক হান্নসু চয়োল মরিগী মতম পীখ্রবা মতুংদা পাউখুম পীরক্তে হায়দুনা অমুক হন্না চয়োল অহুমগী মতম পীখ্রিবা থৌওং অসি মতম লৌনবা চত্থরকপা থৌওং ওইগনি হায়রদুনা অপূনবা দিসক্বালিফিকেসন কেস তরেৎ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা পিটিস্নর অনীগী মায়কৈদগীদি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মোটোর ভেহিকলস ১সুং ত্রাফিক পর্সনেলশিংনা হরাসমেন্ট পীবা লেপ্ত্রবদি দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং থাদোক্লগনি : এম অনিল

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** থা ১৮ ফাজিল্লক্লবা লান অসিগী মনুংদা ত্রক দ্রাইভরশিংনা মপান্দগী মণিপুর মীয়ামগী মথৌ তাবা চান-থক্লবা পোলিমশিং এন ঐচ-২ অমদি ৩৭তা পুশিল্লকপদা লম্বীদা মোটোর ভেহিকলস অমদি ত্রাফিক পর্সনেলশিংনা ত্রক দ্রাইভরশিংদা পীরক্লিবা হরাসমেন্টকী থৌওং অসি লেপ্ত্রবদি দ্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং থাদোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিল মীতৈনা ফোঙদোরক্লি।



পাউচে অসিদা মহাক্না হায়, এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীগী নাগালেন্দ মনুংদা লম্বী য়ারক্তবা মতমদা গাড়ী কয়া লমখাংদা নুমিৎ কয়ানি চীংনুংদা পন্দুনা লৈরিবনি। হায়ৱেসিদা মণিপুর ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অকোইজম অঙৌ ফারগা পুখিবগী মায়োক্তা চত্থখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বন্দ মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩০গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা উরিপোক্তা লৈবা ইবোতোনস্না গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুল দিমান্দশিং তাল্লদুনা ঙসি অয়ুক পুং ৫দগী হৌরদুনা পুং ৪৮ চুপ্পা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিনগনি হায়দুনা হৌরক্লল্লগা জে এ সীগা পুলিসকী মকোক



মনাক্তগী শকখঙদবশিংনা ফারগা পুখিবদগী ঙসি ফাওবদা লংলা লংজিন খঙবা ঙল্লক্ত্রিবা অকোইজম অঙৌগী থৌদোক্কী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা তোঙান তোঙানবা থোংবা ওফিসলশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা কন্দিসন খরদা য়ানবদগী মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে।

বন্দগী খোঙজং ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## কুম্বী এ সীগী শগাংদগী শুগুনু থোংখোঙ ফাওবগী কিলোমিটর ১২ রোম শাংবা লম্বী ঈরোয়বা য়ারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কুম্বী এ সীগী মনুং চনবা বোরায়াংবী ফাওদুনা তোঙান তোঙানবা খুল ২০ হেনবগী মীয়ামগী লাইফ লাইন ওইরিবা শগাংদগী শুগুনু থোংখোঙ ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা শুপ্পতগী কিলোমিটর ১২ রোম খক্তমক শাংবা লম্বী অসিগী মফম কয়াদা চুম্নগী কোমজাও ওইরম্বদগী পুখ্রি ওইরকপা য়াওরক্তুনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংনা ঈরোয়রগা লানবনা হেন্না খুদোংচাবগী ফীভমদা লৈরল্লে হায়রি।



খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোল্লবা লম্বী অসিনা খুল ২০ হেনবগী মীওইশিংদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে হায়রদুনা অথুবা মতমদা লম্বী অসিবু শেমজিনবীয়ু হায়না বোরায়াংবী য়ুথ প্রোগ্রেসিভ এলাইএন্স (বি ৱাই পি এ) না লৈঙাক্তা তকশিল্লক্লি।

এলাইএন্স অসিগী মরু ওইবা থৌ পুবশিং য়াওনা ঙসি ফীভম শোল্লবা লম্বী পরিং অসিদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং পল্লদুনা এলাইএন্স অসিগী প্রসিদেন্ট রফিজউদ্দিননা হায়, তোঙান তোঙানবা খুল ২০ হেনবগী মীয়ামগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসি চহী ১০ হেন্না শেমজিনবীরক্তবনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ভি দি এফ পর্সনেল ১ টৌইলেট মনুংদা শিরল্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা মোইরাং পি এসকা নক্নরিবা থম্নাপোকপী মনুংদা মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈবা ভি দি এফ পর্সনেল অমা নুমিদাংগী চাক চাবা তোল্লগা টৌইলেটতা চঙখ্রবা মতুংদা থোরকমন্দে হায়দুনা য়েংলুবদা শিরগা লৈরল্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা পর্সনেল অসিগী মমিং মোইরাংথেম বিশোরজিৎ (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম বিহারি কৌই, থাঙ্গ মোইরাংথেম লৈকায়দগীনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা অন নেচরেল দেথকী কেস অমা লৌখৎলগা মহাক্কী হকচাং ঙসি রিমসকী মীরেলশঙদা পুরক্তুনা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## চহী ৮০দগী ১০০ হেল্লবা মীওইশিংদা অহেনবা পেন্সনগী শেনফম পীরগনি

**ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী পেন্সনরশিংগী মরক্তা মশাগী চহী ৮০শুরবা অমসুং চহীসিদগীনা মশাগী চহী ১০০ হেল্লবা পেন্সনরশিংদা অহেনবা 'কম্পেন্সেনেট পেন্সন' গী শেনফমশিং পীরগনি হায়না য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পেন্সন এন্দ পেন্সনরস ৱেলফেয়র (দি পি পি দব্লিয়ু) না লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা শেন্বা অনৌবা গাইদলাইনশিংসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মখাদা সিভিল সর্ভিস তৌরম্বদগী থবক্তগী পোত্থারবশিংদা অহেনবা ওইনা পীনবগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে। খোঙথাং অসিগী মতুংইন্না সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী পেন্সনরশিংগী মনুংদা মশাগী চহী ৮০দগী ৮৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংদা মহাক্কী বেসিক পেন্সন/কম্পেন্সেনেট এলাৱেন্সদগী চাদা ২০ হাপকৎলগা পীগনি অদুগা চহী ৮৫দগী ৯০ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংদনা চাদা ৩০গী চাংদা পীরগা চহী ৯০দগী৯৫ ফাওবগীনা চাদা ৪০, চহী ৯৫দগীনা ১০০ ফাওবগী মনুংদা লৈবনা চাদা ৫০ পীবগা লোয়ননা চহী ১০০ হেল্লবশিংদনা বেসিক পেন্সন/কম্পেন্সেনেট এলাৱেন্সতগী চাদা ১০০গী চাংদা হেনগৎনা পীরগনি হায়রি।

অনৌবা থৌরাং অসিগী মতুংইন্না অহেনবা পেন্সন নৎত্রগা কম্পেন্সেনেট এলাৱেন্স অসি পেন্সনরশিংগী মরক্তগী চহী ৮০দগী ১০০ হেনবগী মনুংদা হেক লৈরকপগা থা অমগী অহানবা নুমিৎতগী লাকখৎলগা পীগনি। খুদম ওইনা হায়রিবা অহেনবা পেন্সনগী শেনফম অসি ওগষ্ট ২০, ১৯৪২দা পোকপা পেন্সনরশিংদগী মসিগী খুদোংচাবা ফংবা হৌরগনি। অদুগা খুদোংচাবা অসিনা মমাঙগী কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ১দগী লাকখৎলগা পীগদবনি হায়বগী ৱাফমসু গাইদলাইন অসিদা য়াওরি।

## পি এল এগী কেপ্তেন গুলু, প্রিপাক (প্রো) গী কেপ্তেন সোপাইবা ১সুং লান্স কোর্পোরেল নোংদোন লৈখিদবদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ :** পি এল এগী কেপ্তেন গুলু এলিয়জ বাবু, প্রিপাক (প্রো) গী কেপ্তেন সোপাইবা এলিয়জ সরতকুমার অমদি লান্স কোর্পোরেল নোংদোন এলিয়জ বোনিস্না লৈখিদবদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর চরাইরোংবা থোকচোমনা থোরকপা চেরোল অমদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ২৩দা মণিপুর অমসুং ম্যান্মার অনীগী ঙমখৈ পরিংদা য়েক্লবগা খূৎ থোক্লখিবগী থৌদোক্তা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা অহুম- পি এল এগী কেপ্তেন ওইনাম গুলু এলিয়জ বাবু, অপোকপা ও কুঞ্জো অমসুং অপোকপী পিশক, লৈফম্না জিরিবাম; প্রিপাক (প্রো) গী কেপ্তেন ৱাহেংবম সোপাইবা এলিয়জ সরতকুমার অপোকপা দেব অমদি অপোকপী মেমচা, লৈফম্না হিয়াংলম অৱাং লৈকায় অমদি লান্স কোর্পোরেল নোংমাইথেম নোংদোন এলিয়জ বোনিস্না অপোকপা রাজু অমসুং অপোকপী সঙ্গিতা লৈফম্না ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়গী মফমদা লালহৌলূপ অসিনা অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ এম পি এনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা (রেভল্যুস্নরি সেল্যুট) পীজরি অমদি থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## অথৌবা য়াওল্লোই কেপ্তেন গুলু, কেপ্তেন সোপাইবা ১সুং লান্স কোর্পোরেল নোংদোন লৈখিদবদা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ :** আর পি এফ/পি এল এগী কেপ্তেন গুলু, প্রিপাক (প্রো) গী কেপ্তেন সোপাইবা অমসুং লান্স কোর্পোরেল নোংদোন লৈখিদবদা কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট, মণিপুরগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লালহৌলূপ অসিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এম শকহেননা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা থা অসিগী ২৩গী লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদবা অথৌবা মরুপ ৩গী মফমদা লালহৌলূপ অসিনা অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মিনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি হায়রি।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নীংতম লান্মী আর পি এফ/পি এল এগী কেপ্তেন ওইনাম গুলু এলিয়জ বাবু, অপোকপা ও কুঞ্জো, অপোকপী ওইনাম ওংবী পীশক, লৈফম জিরিবাম কদমতলা অমসুং প্রিপাক (প্রোগ্রেসিভ) কী নীংতম লান্মী কেপ্তেন ৱাহেংবম সোপাইবা এলিয়জ সরতকুমার, অপোকপা দব্লিয়ু দেব, অপোকপী ৱাহেংবম ওংবী মেমচা, লৈফম হিয়াংলম অৱাং লৈকায় অমসুং লান্স কোর্পোরেল নোংমাইথেম নোংদোন এলিয়জ বোনিস্না অপোকপা এন রাজু, ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## নীংতম লান্মী ৩দা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে, অথৌবা অনীগী হকচাং লৈরোল চনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ঙমখৈগা তাইনবা ম্যান্মারগী মফম অমদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা আর পি এফ/পি এল এগী কেপ্তেন গুলু এলিয়জ বাবু অমসুং প্রিপাক (প্রো) গী কেপ্তেন সরতকুমার এলিয়জ সোপাইবা অমসুং লান্স কোর্পোরেল নোংমাইথেম বোনিস্না এলিয়জ নোংদোনগী হকচাং ঙরাং নুমিদাং অসাম রাইফলসনা পুরক্লবা মতুং ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নরকপগা নুমিদাং অথেংবদা ককচীং লমখাইদা লাংসাই থৌনা, অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট-২৬ (ককচীং য়ুনিট) কী থৌমীশিং অমদি ককচীং লমখাইদা খুল ঙাক্লিবা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

অথৌবা অহুমগী হকচাংশিং মোরেদা লৈবা ৫শুবা এ আরনা পুথোরক্লবা মতুং ২১শুবা এ আরনা পল্লেল পি এস ফাওবা পুরকখিবনি। অদুবু মখোয় অহুম ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা লৈখিদবদা নত্তনা মখোয়গী হকচাং মতৌ করম্না এ আরনা পুথোরক্লিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা মরী মখোঙ খঙদবদগী পল্লেল পুলিসনা হকচাংশিং লৌশিনবদা চয়েৎনবা থোকখি। মসিদগী তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি পি এসতা হকচাং অহুম অদু শিন্নরবা মতুংদা ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখিবনি।



লৈখিদ্রবা অথৌবা অহুমগী হকচাংনা ককচীং লমখাই য়ৌরকপদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা (ওই) অমসুং লাঙ্গোল থোঙাক লাইরেম্বীগী মশাইকোন্দা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লমদাইদা মীয়াম্না তেংথাদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা পি এল এগী কেপ্তেন সোইবম গুলুগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ঙসি হৈরোক পার্ট ৱান কম্যুনিটি হোলদা পুরক্তুনা মফম অদুগী মীয়াম্না মীৎকী পিগা লোয়ননা মহাক্কী মফমদা অরোইবা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিনা হিংলিঙৈদা হৈরোককী মীওইশিংগা লৈমিন্নবা পাল্লমখি হায়বগীদমক মহাক্কী হকচাংবু হৈরোকতা পুরক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবনি।

হকচাং অহুমগী মনুংদা প্রিপাক (প্রো) গী কেপ্তেন ৱাহেংবম সরতকুমার এলিয়জ সোপাইবা অপোকপা দব্লিয়ু দেব অমদি লান্স কোর্পোরেল নোংমাইথেম বোনিস্না এলিয়জ নোংদোন অপোকপা এন রাজুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তুনা ঙসি লাঙ্গোল গেম ভিলেজ মনাক্কী থোঙাক লাইরেম্বী চীংদা লৈরোন চনখি।

অথৌবা অনীগী লৈরোন চনবগী থৌরম ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদগী হৌরক্লগা নুমিদাংৱাইরম য়াচংলকপা ফাওবদা পাঙথোকখি। থৌরমগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং, পার্টিগী ফিঙাং লান্মীশিং, খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং অমদি মরী-মতা য়াওনা মীওই কয়ানা লৈখিদ্রবা অথৌবা অনীগী মফমদা অরোইবা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা শরুক য়াখি। অথৌবা অনীগী হকচাং হাপ্লবা কুগী মথক্তা সলাই তরেৎকী ফিরাল কুপ্তুনা ইকায়খুম্নখি।

অমরোমদা, থোকখ্রিবা থৌদোক অসিদা অথৌবা অনীগা পূন্না লৈখিদবা আর পি এফ/পি এল এগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা থৌনিখ্রে

## লৈবাক্কী ফীভমদা অহোংবা লাক্লগনি



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাওরোইজম অৱাং লৈকায়গী মফম অমদা লৈবা ঈশিংদা 'পাখঙবা তাংজগী ফিথুপ' লৈরম্বা থেংনবদগী ঙসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মায়চৌ পুরেল প্রোফেসর কাংজিয়া মঙাংনা লুচিংদুনা মাইবীশিংগা লোয়ননা ঈরাৎ-থৌনি পাঙথোকখিবদা অফবা খুথিল (খুদম-চাংদম) ঙাক্তা ফংবগা লোয়ননা লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভমদা অহোংবা খরা লাক্লগনি হায়বগী খুদম পীরে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫